HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)



থৌবালগী চরাংপাৎতা লৈবা ইষ্টর্ন মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএশনগী ৭১শুবা মপোক কুমওনদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা এসোসিএশন অসিগী লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা

লৌশিং পূক্কে : লংস কেন্সর নাহল্লক্লবা মরুওইবা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ ঐহাক্কী ইচা-ইশুশিংদদি থোকহন্নীংদে
‘বেদমিন্টনগী শক্লাইরবা শান্নরোয় চীংশুবম বীনোয়না ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ এ আইনা এদভান্স ওইরক্তুনা মীওইবগী হিংবগী...
ইনফিল্ট্রেশনদগী দেমোগ্রাফিদা অহোংবা লাকপনা... ☛ লামায় ৯
লামায় ১২ ☛ ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগঃ এল এম এল সী সী...

ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকপা ইন্টরনেশনল দে ওফ ওল্ডর পর্সন্স ২০২৫গী থৌরমদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা চহী য়াম্লবা মীওইশিংদা খুদোলপোৎ অমসুং তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা



Vol. 49, Issue No. 181 | শগোলশেন, মেরাগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, October 02, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

## কুমজা ২০২৩দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী মনুংদা ক্রাইম খ্বাইদগী য়াম্না থোকপা ষ্টেট ওইখি : নেশনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো

**নেশনল ক্রাইম রোকোর্দস ব্যুরোনা কুমজা ২০২৩গী ওইনা ষ্টেটশিংদা থোকখিবা এঠনিক ভাইওলেন্সকা মরী লৈনবা কেসশিংগী মশীং মণিপুর -৩,৩৯৯; মধ্য প্রদেশ-২,৮৫৮; রাজস্থান-২,৪৫৩; মহারাষ্ট্র-৭৭৩; ওড়িষা-৬৬২; তেলঙ্গনা-৫৭৫, কর্ণাটাকা-৪৩৪, অন্ধ্র প্রদেশ-৩৬১ অমসুং ছটিশগরগীনা ৩৩৬নি হায়রি।**

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী ২গী মমাঙ কুমজা ২০২৩দা মণিপুরনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মনুংদা ক্রাইম (রাইওটস মোব) খ্বাইদগী য়াম্না থোকপা ষ্টেট অমা ওইখি হায়না নেশনল ক্রাইম রেকোর্দস ব্যুরো (এন সী আর বি) না ফোঙবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লে।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হায়রিবা কুমজা ২০২৩ অসিদা লৈবাক অসিগী নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেট অমা ওইরিবা মণিপুরদা এক্সত্রিমিষ্টশিংনা মীচম ২৪ হাৎখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চহী অদুগী মেদগী হৌরদুনা মণিপুরগী তম্পাক্তা লৈবা মীতৈশিং অমসুং চীং অমসুং তম্পাক্কা তাইনবদা লৈবা ত্রাইবেল কুকিশিংগী মরক্তা এঠনিক কনফ্লিক্ট থোরকখি হায়বা ৱাফমসু পল্লি। লোয়ননা হৌখিবা কুমজা ২০২৩দা থোকখিবা রাইওটস ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অহলশিংনা খুন্নাই শেম্বদা হকথেংননা থৌদাং লৌরি : গভর্ণর

**গভর্ণরনা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেশনল দে ওফ ওল্ডর পর্সন্স -২০২৫গী থৌরম পাঙথোক্তুনা অহলশিংদা খুদোলপোৎ তেংবাঙ অমসুং চৈঙাকশিং য়েন্থোকখ্রে**

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** চহী য়াম্লক্লবা অহলশিং অসিনা মখোয়গীদমক পূক্নীং চঙনা তৌরিবা থৌগলশিং খক্তা ফংবা নত্তে। মখোয়দি খুন্নাই অসিগী মায়ওন শেম্বদা হকথেংননা শরুক য়ারিবনি হায়না গভর্ণর এ কে ভল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেশনল দে ওফ ওল্ডর পর্সন্স (আই দি ও পি), ২০২৫গী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগা মরী লৈননা গভর্ণরনা হায়, চহী য়াম্লক্লবা অহল-লমনশিংগী লৌশিং অমসুং মখোয়গা শাগোন্নরকপা এক্সপরিএন্সশিং অসি হৌজিকসু চাংদম্নীংঙাই লৈত্রবা মীয়ামগী লনশিং ওইরি। মখোয়না ইমুং-মনুং খক্তা নত্তনা ফূরুপশিংবু নুংশি-চান্ননা লৈমিন্ননবা অমসুং চাওখৎ মায়কৈদা লমজিংলি হায়নসু অহলশিংবু শীংথাখি।

অমরোমদা, গভর্ণরনা হৌজিক্কী মতমদা নহাশিংনা লৌগদবা থৌদাংশিং ময়েক শেংনা পল্লদুনা হায়, করিগুম্বা ঙসিগী নহারোলশিংগী পাঙ্গল থৌনা অমসুং অনৌবা পোৎলম পুথোকপগী ৱাখল অসিগা চহী য়াম্লবা মীওইশিংগী লৌশিংগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরবদি মপাঙ্গল কল্লবা ফীভম অমা ওইহল্লকপা ঙমদুনা ঐখোয়না মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং মালেমগী ওইনসু মথৌ তারিবশিং কোকহনবা ঙমগনি। কনাগুম্বা অমদা তেংবাঙ পোৎলম পীবদগীদি অহল ওইরবশিংবু ইকায়খুম্নবীবা অমসুং মখোয়গী পুন্সি মহিং মশক থোক্লা লৈহনবনা হেন্না অচুম্বা থবক্লি হায়খি।

মণিপুরবু অমত্তা ওইনা চাওখৎহন্নবা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কনবা ফূরুপ মশেলগী মরক্তা অমত্তা ওইমিন্নবগী শক্তম শাগৎমিন্ননবা হোৎনমিন্নরসি। লৈঙাক্কী সোশল ৱেলফেয়র লোয়শঙনা মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ওক্টোবর ৩বু কোটুনা ‘সিপরেশন দে’ হায়না লাউথোক্তুনা এন ঐচ-২দা পুং ১২গী শটদাউন তৌগদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩বু কাংপোকপীদা বেজ তৌবা কম্মিটি ওন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না ‘সিপরেশন দে’ হায়না লাউথোরকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ৬তগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা পুং ১২গী ওইনা নেশনল হায়ৱে-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী পরিংদা টোটেল শটদাউন তৌগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি কোটুগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা থোরকখ্রে। চেরোল অসিদা মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লিবা কাঙলূপ মশেলগী ঈরাং অসি হৌজিক চহী ৩ ফাজিল্লক্কদৌরে হায়বগা লোয়ননা ঈরাং অসিগী তেকচাক হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং রাজ্য সভাগী এম পিনা পুগদবনি হায়নসু মরাল শীরক্লি।

লোয়ননা ঈরাং অসি থোরকপদগী থা খুদিংগী অহুমশুবা নুমিৎপু কোটুনা ঈরাং অসিগী মনুংদা লৈখিদ্রবা মখোয়গী মীওইশিংবু থৌনা ফবা অমসুং নুংশিরবা মচিন মনাওশিংনি হায়না নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মখোয়না কুকি-জোগী লমবু নন ত্রাইবেল ফূরুপশিংনা খোপচিল্লকপদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরম্বনি হায়রি।

থা অসিগী ৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা ‘সিপরেশন দে’ গী থৌরম অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা কুকি-জো ফূরুপ অসি মাঙজৌননা মশীং য়াম্বা মীতৈ ফূরুপ্তুগী তোঙান তারে হায়বসি অমুক হন্না নীংশিংহল্লগনি হায়বগা লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা লল্লোন-ইতিক, মহৈ-মশিং তম্বগী থবক থৌরম পূম্নমক থিংজিনগনি হায়রি।

**মণিপুর : চীংগী ফূরুপ ২গী প্লেগ্রাউন্দ নত্তে : আর কে জয়স্না**

## সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন ১সুং গ্রেটর নাগালেন্দ পাম্বশিংনা মখোয়গী ফূরুপশিংনা নম্না খুন্দাবা ষ্টেটশিংদা চৎখিবা য়াগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে



**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ (ঐচএনএস) :** মণিপুর অসি চীংগী ফূরুপ অনীগী প্লেগ্রাউন্দ নত্তে হায়রদুনা গ্রেটর নাগালেন্দ পাম্বশিংনা মখোয়গী ফূরুপ্না নম্না খুন্দাবা ষ্টেটতা চৎখিবা য়াগনি অদুগা করিগুম্বা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন পাম্বশিংনসু মখোয়গী ফূরুপ্না মশীং য়াম্না খুন্দাবা ষ্টেটতা চৎখিবা য়াগনি হায়বা ৱাফম অসি হায়হৌবগী চপ চাবা মতম ওইরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

চেরোল অসি সোশল এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরক্লিবা ইম্ফালগী মোইরাংখোম কৈথেলদা লৈবা রিজনেল দিরেক্টর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট রোপ স্কিপ্পিং ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী রিজনেল দিরেক্টর আর কে জয়স্নানা মমাঙ থাগী ১৭তা প্রাইম মিনিষ্টরদা চেরোল অদু পীশিনখিবনি হায়রি।

মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা চেরোল অসিগী মতাংদা ঙসি পাউচে অসিগা উন্নবদা মহাক্না হায়, মণিপুরদা হৌজিক নেশনল হায়ৱে নম্বর ২ অমসুং ৩৭তা ফূরুপ অমগী মীওইশিংনা ফ্রী মুভমেন্ট তৌবা য়াহন্দনা থিংজিন্দুনা থল্লক্লি অদুগা নাগা ফূরুপশিংগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## সোরেপাগী ৪রক শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০১ :** সোশলিষ্ট রেভল্যুস্নরি পার্টি (সোরেপা), কংলৈপাককী মরিরক শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি লালহৌলূপ অসিগী সেক্রেটরি (পব্লিসিটি এন্দ ওর্গনাইজেশন) এম সী য়াইফবীনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, সোরেপাগী ৪রক শুবা মপোক নুমিৎ ঙসি ওক্টোবর ১, ২০২৫ অসিদা কংলৈপাক/মণিপুরগী মনুং অমসুং কংলৈপাক্কী মপান্দা লৈবা মফম পূম্নমক্তা পাঙথোকখ্রে। লূপ অসিগী সেন্ট্রেল হেদ ক্বার্টর, টেক্টিকেল হেদ ক্বার্টর, সিভিল য়ুনিটশিং পূম্নমক্তা সোরেপাগী মপোক নুমিৎকী থৌরম মপূং ফানা পাঙথোকখি। থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম খুদিংমক্তা লূপকী ফিরাল চিংখৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা কংলৈপাক/মণিপুর অমদি ৱেসিয়া লমদমগী লৈখিদ্রবা নীংতম য়াওল্লোইশিংগী মফমদসু ইকোক নোন্না ইকায়খুম্নবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা




ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫